ৱারীমচা

# মিকপ

- কে. বীরেন্দ্র (ঝাফিরবন্দ)

নিংথমগী নুমিদাং পুং তরারোম তাবা মতমদনি। প্রোফেসার মনিকান্ত ফমুংদা ফৈজুপ্না য়োমশিন্দুনা উপন্যাস পারম্মী। মতম অদুদা মপান্দগী তপ্লি তপ্লি থোং য়ৈবগা লোয়ননা কনাগুম্বা অমনা কৌরম্মী - 'বাবু বাবু'। নিংথমগী ফৈজুপ্না য়োল্লবা ফমুংদগী- মতম অসিদা কনা অমুক লাকশিনলিবা- হায়বা ৱাখলনা পুক্লীংদা খন্দুনা শাউনিংবোই তনবোই তৌদুনা হৌগৎলগা থোঙ হাংদোক্লম্মী মনিকান্ত। মহাক্না মপান্দা থোঙ হাংদোক্তুনা থোক্লকপা মতমদা 'বাবু নুমিদাং অসিমত্তং লেকচখিগে' হায়দুনা ঝুলি নাকন্দা য়ানবা, মখুত্তা চৈশু পায়বা, ইঙবনা মশা পুম্নমক থক-থক নিক্লবা লম্বোইবা অমা লেপ্পুনা লৈরম্মী। নিপাদুগী মতৌদুনে অদুগা ইঙলবা মতমদুদা ফৈজুপ্না য়োমদুনা নুংঙায়না লৈরম্বদগী ইঙহনবনে অনিমক পুনখিদুনা খর শাওনিংলম্মী মনিকান্ত। মবুক্লিঙদা খল্লম্মী- হেরা শক্ত-চুদাসিনসু মফম অসিদা মফম মরাঙ ইখঙ হেক খঙদনা হেক লেকখিগেকাসু হায়রিসে। ঙাইহাক তুমিন্না লেপতুনা নিপা অদুবু য়েংলগা হায়রম্মী 'মফম অতৈদা চৎলু, অসিদা য়ারোই।' 'বাবু মচি অমতঙদদি পীনবিয়ু অহিঙ অসিমতংদি লেনজখিগে' হায়না য়াম্না নোঞ্জবা সুরদা হায়রম্মী। ইশাদগী হন্থবা কনাগুম্বদা খরা অচৌবা শাজনিঙবগী খোন্থোক্তা খোন য়াক্লপ্না হায়রম্মী 'য়ারোই হায়রেদনা।' নিপা অদু তিঙক তিঙক মমিৎ অদু কুপলি কুপলি পাম্বে লৈতবগী মওংদা ঙাইহাক তুমিন্না লেপ্লগা মপোৎ মচৈ পুম্নমক থোংগৎতুনা তপ্না তপ্না থোকখিরম্মী। নিপা অদুবুদি তান্থোকপিখ্রে অদুগা শরক অদুদা ইখঙ খঙহৌদনা নিংথমগী অহিঙ অদুদা শেগায়রবা ফিরোলনা মশা য়োমবোই য়োমদবোই ইঙবনা থক-থক নিক্লবা নিপা অদুগী মুর্ত্তি অমা থম্মোয়নুংগী মীৎয়েং লম্বীদা ফাওগৎলম্মী। অদুগা লোয়ননা ৱাখল অমসু 'অসুক ইঙখ্রবা নিংথমগী ইঙলবা লৈচিনগী কুয়োম্না য়োল্লবা নুমিদাং অসিদা মফম কদায়দবু লেকলমগদবা।' অদুবু মদু পুম্নমক অদু খল্লম্লবসু মপানগী পৃথিনা য়োল্লবা মতমগী মহৌশা অদুবুদি লানথোকপা ঙমখিদে।

কন্না অমুক পারম্মী। নোভেল অদুদা অমুক মবুক্লীং পুংলুপ লুপ্লম্মী। মতম অদুদা অমুক হান্নগী খোঞ্জেল অদুমক্না মপান্দগী থোঙ য়ৈদুনা কৌরম্মী 'বাবু বাবু'। খোঞ্জেল অদুমক্তি নিপা অদুগীনি হায়না লৌরম্মী। অদুমকপু মনিকান্ত থাজ থাজনা থাজবা ঙল্লমদে। মরমদি 'ঙল্লে মতাগুম অয়াকপা ৱাহৈগী চাওথোকপা খোনথোক্না অদুক থিনা তান্থোকখ্রবা অদুদা কনানবু অমুক হন্না লাক্কদগে? কনা লৈতবা অমনি, লম্বীগী চাকনিবনি হায়রবসু থম্মোয় মচা অমত্তং পাল্লিবা অদুদি পুম্নমক্কা অন্মানি।' ৱাফম অসি মফাং মফাং খল্লম্বদগী থোঙ হাংদোক্লবগীদমক হৌগৎকে থৌরাং তৌরম্মী। অদুবু অঙকপদি করিগুম্বা অমনা মশা পুম্নমক পুনখিদুনা লেংবা ঙমদবগুম লেঙবা ঙল্লমদে।

মপান্দগী থোঙ য়ৈরম্মী 'বাবু বাবু'। মপান্দগী থোঙ য়ৈদুনা কৌরকপা অদুদা মীকপ খংথোক থোক্লম্মী অমসুং মপান্দা কৌরিবা অদু তারম্মী। মবুক্লীংদা কনাবু ওইরমগদবা হায়দুনা মীকপ খংথোক থোক্লকপগী মফম মরাং খঙদ্রিদ্রৈঙগী শরক অদুদা তবি তবি ফমুংদগী হৌগৎতুনা থোঙ হাংদোকপা মতমদদি মহাক্কী চাকর রামুনা চা কপ অমা পায়দুনা লৈরম্লে।

*(ৱারীমচা অসি শ্রীচোংথাম মনিহার সিংহনা খোমজিনবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'মতমগী ৱারী মচা' লাইরিক্তগী লৌথোকচবনি।)*

লাইরিক্কী মপাউ

# অনৌবা থিম অনৌবা মফোঙদোক থিরিবা কবি অমা

*লাইরিক্কী মমিং* ঃ শকহেনবী তারা
*অইবা* ঃ ইরুংবম দেবেন
*লাইরিক্কী মখল* ঃ শৈরেং
*ফোঙবগী চহী* ঃ ২০১৩
*অফোঙবা* ঃ ইরুংবম পব্লিকেসন্স




মশক তাক্লিবা ঃ **ডো. কে বি হুইদ্রোম**

ইরুংবম দেবেন মণিপুরী সাহিত্যদা অনৌবা নত্তে। মমাঙদা শৈরেং লাইরিক মঙা ফোঙখ্রে। ১) *মোহিনি*, ১৯৯৯, ২) *ঐ শিবগী পাউ*, ২০০৬, ৩) *ঐ লাই উরে*, ২০০৯, ৪) *নুমিৎ অমা পুন্সি অমা*, ২০১১, ৫) *কুম্ভকর্ণ*, ২০১২। মণিপুরী সাহিত্যদা, দ্রামাদা জি সি তোংব্রা, ৱারীমচাদা এলাংবম দীনমনি, মাইবম নবকিশ্বর, শৈরেংদা লাইশ্রম সমরেন্দ্র, থাংজম ইবোপিশক, রা.কু. ভুবনস্না নচিংবা ফাগী পুবা অইবশিং লৈখ্রে। হৌজিক অমুক থোরক্লি- কবি ইরুংবম দেবেন।

দেবেনগী শৈরেংগী লাইরিক 'শকহেনবী তারা' হায়বসিদা পুন্না শৈরেং ৬৫ য়াওরি। অয়াম্বা শৈরেংশিং পাবা নুংঙাই। কবি দেবেন মোন্দ্রঙ শান্নবা হৈ। ফজবী নুপীনা ফজবা বেগ য়াল্লগা লম্বীদা লাকপদা লম্বী থৎলগা হংনীংঙি, করি লমদগী লৈরকপনো? মমল কয়া পী? মসিদগী খরা অমুক হেঞ্জিন্না ফজবী নুপীগী লেংজুমদা য়াল্লিবা হেন্দ-বেগ মনুংদা লৈনীংলুই। থোৎলবা খুৎশানা হুমজিল্লকপা খূদিং থেংবীরম্বা পাল্লকই। মসিদগী অমুক্কা হেঞ্জিল্লক্তুনা ফজবী নুপীগী খাউ মওং মানবা থম্মোয়দা লৈনীংলুই। অনৌবা মফোঙদোক্লি, অনৌবা মচলনি, অনৌবা ইমেজরিনি। (নুজাগী হেন্দবেগ, লা: ৭৫)

অমুকসু ফজবী নুপীগী কুৎলবা খোয়দৌ উরুবদা কবি লৈতাবা ঙমদে। হংলি-নুপীগী খোয়দৌনা কুৎলিবসি মমাঙঙৈদা শঙাইলেন অমনা তাখিবগীরা? (দাইনোসোরস ময়াম তুমখিবা, মেনশিনবা ঙমদনা ঙসিসু পৃথিবীনা কুৎতুনা লৈহৌরি...) ফজবী নুপীগী অকুৎপা খোয়দৌনা করি করি মনি মুক্তা লোৎপগে? অমুকসু খল্লুই ফজবী নুপীগী থম্মোয়গা খোয়দৌগা কয়াম লাপ্নরমদগে? নুপী ওইবীগী অপাম নুংশিসি মখোয়গী কুৎলবা খোয়দৌদগী হৌরকপরা? (কুশীৎ কুৎপা নঙগী খোয়দৌ, লা: ১০২)। ওন্থোক ওন্থোকপা মোন্দ্রঙনি কবি দেবেননা শান্নরিবা। মোন্দ্রঙ শান্নবা হায়বসি কবি অমগীদি চঙদ্রবা য়াদ্রবা মচাক্লি। খল্লিবা, ইরিবা হীরমদুদা অপেনবা, নুংঙাইবা পোক্ত্রবদি কবিনা কয়াম কুইনা ইদুনা লৈবা ঙমগনি? অদুনা য়ুমগী নুপীনা ঙাওরে হায়না চৈবদা কবিনা খুন্মি- 'ঙাওদ্রবদি করম্না কবি ওইগনি?' (য়ুমগী নুপীগা, লা:২৯)।

কবি দেবেননা হৈননা থোকপা খুৎইসি নুপীগী ফজবা থাবনি। অদুনা মিংথোল ওইরিবা 'শকহেনবী তারা' বু শৈরেং অমত্তা নত্তনা অনী ই। লৈকাইগী লৈশাবীশিংনা পৃথ্রিদা ঈশিং শোকপা লাকপগী; কবিগী ইমুংদা ফল্লবগী শৈরেং ই। শৈরেংবু ফজবা নুপী ওইনা য়েংঙি। শৈরেংগা কবিগা ৱারী শানৈ। থবক ৱানা হঞ্জিল্লকপদা শৈরেংনা শৈরেং শৈরেং ইবীয়ু হায়। কবিনা পোৎথাখি। য়াহৌরকপদদি শৈরেং চৎখিরমলে। অয়ুক ৱার্কিং চৎপদা শৈরেংদি মপুরোইবা অহল অমগা ৱার্কিং চৎলম্বা থেংনরুই। কবিবুনা পামজবা নুপীনা হুন্দোকপীরল্লবা, মীমাঙদা চাং তাহৌরবা নুপী অমগুম উৎলি। (নিংথীবী শৈরেং, লা: ৭১-৭২)। অনৌবা খূৎয়েকনি। কবিনা অমুক্তং ফাওবা পেন্না য়েংজদ্রিবা (পাম্মুদুনা) মাগী নুপীগী মায়থোঙনি। অদুবু লৈমিন্নরবা মতুংসিদা, পুন্সিগী থবক ইনখাঙনা হেঞ্জিল্লক্তুনা য়ুমগী নুপীগী মশক ফাওবা কাউশিল্লক্লে হায়। (য়ুমগী নুপী অমসুং শেল-থুম, লা:৫২)। নুপী হায়বসি কোয়গে হায়বা য়াদ্রিঙৈদা য়াম্না ফজে, হেক য়ারকপদা থীজিনবা হৌরে হায়বা পাউরৌদুনি। ফাগী ওইনা অচুম্বদু হায়রি।

কবি দেবেননা মাগী ৱাহৌদোক্তা পল্লি 'করি তৌরগা শৈরেংবু মীনা পানীংহনগদগে? ঐনা কন্না খঞ্জরিবদি অপাবশিংবু নুংঙাইহনগদবনি হায়বসিনি।' মসিনা ওইবা তাই কবি দেবেননা ময়ামনা ইনদবা থিম, ময়াম্না ফোঙদোক্লদবা মফোঙদোক থিরিবা? লোল অমদি মফোঙদোক খেন্নহন্দুনা 'সমথিং-ন্যু' ওইহন্নবা হোৎনরিবা। অদুনা ইরকই- কাঙ-ফেমিলি প্লান্নিং তৌবগী, হৌদোঙগী ভেলেন্তাইনগী, তন্দননা ইন্সপেক্সন লাকপগী, মীবু বোন-সাইজ তৌবগী, নুঙ লাব অমোমগী য়ুম্বানমিন্নবগী, নুপীগী খোয়দৌনা কুৎপগী, অশিবনা ভিজিটিং রুমদা ফল্লবগী...। কবি দেবেননা হায়রি হৌদোঙদি নোকপা হৈতে। নুংশিনবা ফাওবা (মেতিং-দে) লাওনদুনা, খৎনবা মান্না নুংশিনৈ। (লা: ৯৬)। অমুকসু কাঙবু খুবাক্না থাদুনা হাৎলগা তুমিন্না তোক্তে, পোষ্ট মোর্টেম তৌই। মখোঙ কয়া পাল্লি-তরুক। মকোক অমা, থম্মোয় পান্দবা থবাক, চাউরবা মবুক অমা। ৱারী শানৈ, মীগী ঈ থকঅনু, মীগী ফনবা তৌরো, হয়েং শিরগা স্বর্গ ফংনবা। কবিনা অমুকসু হায়রি- শিংলে হায়রিবা মীওইবগী খুদোম্বীদা মৈ থোকহনবা ঙমদে। অদুবু পিকখ্রবা তন্দন্দি-মমাঙদসু নত্তনা আ মনীংদা মৈ থাল্লি। (তন্দন, লা:২)। অমুকসু নুঙ লাবা অমোমনা মথোই কানা ৱারী শাবা কবিনা তারুই-হৌজিক্কী মতমদা মশীংখাদা, ঈশিং মরীদা, কিদনিদা নুঙ লৈতবা মী লৈশিল্লক্তরে। নুঙ অনী য়ুম্বানমিন্নদুনা মখোয়গী চাদা নাউদানা সংসার অসি নুঙ ঙাক্তা ওইহন্নীংবগী ৱাখল ফোঙদোকই। অনৌবা এক্সপরিয়েন্সনি। (নুঙ অনীগী ৱারী, লা: ৬৪)। অসুম্না কবি দেবেননা মহৌশা ওইদবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া য়েকই। অদুগা অৱাবা মতাংদা মপি শিন্থদে, নোক্লীংবা মতাংদসু নোক্তে। ওন্থোক্লা থৌৱা শাদনা, নিংঙাইদনা চিক্কন সেন্টরদা য়েন হাৎপগী শক্তম থারকই- 'চৈতূপ অমনা অনীরক্তং থোম্মী / অমুক্লা মনঙ্গন্দা অমুক্লা মকোক্তা।' (চিক্কন সেন্টর, লা:৭৩)। অদুনা কবি দেবেনগী তোপ্প া তাবা ফজবা মশক অমা হায়বা তারবদি-মমল য়াওদনা, ইচম-চম্না উবা পোৎশকশিংবু ফজবা শৈরেংগী মচল ওইনা পুথোকপা ঙম্বসিনি।

কবি দেবেনগী অশিবগী এক্সপরিয়েন্স উৎপা শৈরেং কয়াসু য়াওরি। শৈরেংশিং অসিসু অনৌবা মফোঙদোক্লি। কবিনা অশিববু মরূপ-মপাঙ ওইনা, মরী-মতা ওইনা য়েকই। পামদবা পাউ পুরকপা মরী মতাগুম উহল্লি। অশিবগা মায়োক্লবদা কবিনা মমিৎনা ফাওবা য়েংবা পামদে। খঙশিন্নদনা লৈথোক্কনি হায়। অদুগা করিগুম্বা অশিবনা অতিথি ওইনা ভিজিটিং রুমদা ফল্লরবদি মাগী নুপীবু চা পুথোক্তুনা পীথকহল্লোই, ফম্বমখৈ ফমহল্লগা হনহনখিনি হায়রি। (অশিবগা করিগুম্বা থেংনবা তারবসু, লা:৯)। মানা হেক ইঙম-ঙম্বদৌনা, ইয়া য়াবদৌনা। ফজে অনৌবা মফোঙদোক্লি।

কবি দেবেন নোক্লীংবা কবিতা ইবদি খুৎলোয়রে। লুরবা ৱাফম কয়াসু লায়না হায়দোকপা ঙল্লে। অদুবু নোক্লা ৱাখল খলহনবদুদি ঙল্লবরা? ৱাখল খলহনগেরা খলহল্লোইরা, পাউতাক পীগেরা পীরোইরা সাহিত্যগী পান্দমদি অপাববু নুংঙাইহনবনি, ঙাইহাক পোৎথাহনবনি। ৱাফম অসি হডসনগী মোৎনি, কবি দেবেনগীসুনি। মায়কৈ অসোমদগী য়েংলবদি 'শকহেনবী তারা' ফজবা শৈরেংগী লাইরিক্লি।

হন্দোকপা

*হান্নগী মখা...*

# ইচে রমা

হিন্দীদা ইবা- গোরা পন্ত শিবানী
মণিপুরীদা হন্দোকপা- **লৈমপোকপম বেদান্তী**

ঐ খোয়গী ইপলদু মতিক মগুন লৈবা অফবা নুপানি। য়ুমগী লৈতেং, মীনাই খনবা, মশাগী ফিজেৎ লৈতেং, পুম্নমক্তা মাগী পুক্লিং চংবগী মমি তাই। ইচে রমা খোয়গী ফমফম কাগী থোঙনাওগী মচু শংলবা মিংশেল, ফ্রেন্সলেসকী পর্দা, কাদা থারিবা ধারচুলাগী মীরৈবাক্তা থাদোকপগী ক্বালিটি লৈরবা গালীচা ফিদা, মদুদা য়াওরিবা মুচশিংগী ফজবা, খোঙ হেক থাংজিনলকপদা চঙলকপা মীশিংগী থম্মোয় হুরি, ফক্লাংদা থেৎলিবা মীরৈবাক্কী লাইয়েকপা অমনা নোংনা চামথোক্লবা চীংশাং পরেংশিং অদু অশেংবা মানমনখিদুনা কনাগুম্বনা উচান পাম্বীদু হেক নোমলুবদা ঈশিং মরিক-মরিক তারক্কদৌবা মাল্লি। মায়কৈ অমরোমদনা ইপলগী ওফিসকী ফিজোল শেৎলগা নম্বা ফজখ্রবা ফোটো অমসু থেৎলি। কাচিন অমদনা লুপাগী অরংবা অকুপ্পা তারানা য়োম্বা হিদাকপুগী পাইপ অমা ফক্লাংদা থেৎলিবা য়োৎপী অমদা য়াল্লি। মনম নুংশিবা ময়াক কনবা হিদাক মনাগী মনমনা কা কয়া লান্দুনা লাক্লগা ঐখোয়বু ঙাওহল্লি। অদুগা হিদাক মনাগী তোঙান-তোঙানবা মখল থকপা মতমদা ইপলগী ফিজোল তোঙাল্লি। করিগুম্বদা পল্সফোর অমদি গোল্ফকী অপৈবা তুপী উপ্লগা রানীখেততা গোল্ফ শান্নবা চৎলি মতমদুদনা কাপমুক শাংবা চুরুট পায়দুনা চৎলি, ওফিসকী ফিজোল শেৎপা মতমদনা সিগরেত থকই অদুগা ইপলনা ময়ুমদা হোলীগী পার্টি তৌবা মতমদদি মরী অশাংবা পানবা হিদাকফুদু মখোল থোক্লা চিংই, মতমদুদা মাগী ফিজোলসি পুরা চীংমীনি- উৎ মচুগী চুরীদার মানবা পায়জামা, মদুদা মুগানা নিংথিনা হৎলবা মরীদু শাংনা থাদৈ, মদু খঙনা-খঙনা অউবশিংনা য়েংননবগীদমক থাদবা মাল্লি, মখল-মখলগী ফিতাশিংনা কুরাক্কী মতৌগুম্না কোয়পাই পাইদুনা কোয়েৎ য়েৎলিবা ফুরিৎ অচোনবী মদুগী মথক্তা লাইবক তংখায় অমা কুপলিবা শামতুগী কাশ্মীরী তুপী। মরেংবান্দা শালদু হায়গৎলদুনা ইপলনা হারমোনিয়ম অদু মনাক তম্না চিংশিল্লদুনা হোলিগী ঈশৈ শক্লকপদুদি করিদা হংঙুরনি কয়াদা ফজখ্রবা।

ঙসি ফাওবদা ঐনা থেংনরকপদা চীংগী হোলি ঈশৈ ঈশৈগী খোইথুম্নবা অসি অতোপ্পা কনামত্তনা শিনবা ঙল্লোই, ইপলনা শক্লকপা ঈশৈগী হায়গৎ হায়থ, খোঞ্জেলগী খোইথুম্নবা পুম্নমক অসিনা অতাবা মীশিং ফাওবা আবীর অমদি পিচকারীনা মচু শংলবগুম ফাওহল্লি। মদুগী মথক্তা ইপলগী থৱায় য়াওবা অমদি মশানা মশাবু থাজবা অসিসু মগুন অমনি।

করি-করিগুম্বদা অহিং চুপ্পা হোলিগী পার্টি তৌই। অদুগুম্বা নুমিৎ অদুদদি ইচে রমানা ঐবু নমদুনা খাম্মী। ঐখোয়বুদি অদুগুম্বা পার্টিদুদা চঙহল্লমদে অদুবু ফক্লাংগী খিত্তং অহোবদা, পর্দাগী মরুমদা নপশিল্লগা মীৎ নামা উইশিল্লগা য়েংবদুদি কনানা থিংবা ঙমগনি। হায়নবা অমদি লৈ পাপকী পৈশাদি কুইনা তুংদুনা লৈতে, উত্রোং অহোবদা ঈশিং হৈথবগুম্বনি। ইপলগী মরল-মথুমসু অসুম্না নোংমা লোইখ্রে। বড়দিন নুমিদাংগী চাকলেন্দা, ইমুং-মনুং, মনিং-ময়াদা চাইরিবা খোৎলিবা ময়ামদু ফাওবা লোইশিনবা নংদ্রিঙৈদা ইপলনা মখুত্তা হিদাকফুগী মরীদু পায়না-পায়না ঈশ্বরগী খুয়া তানখ্রে। হান্নদগী হৌনা ব্লডপ্রেসর ৱাংবনি অদুগীসু মথক্তা চারিবা-থক্লিবা ময়ামদু কদায়দদি চৎকনি? হকচাংদুনা হকচাং ওইখরে, মানা তৌরিবা ময়ামদুগী মরমদা নুংঙাইতবসু খরদি ফাওরমগনি। চমজরবী, মবুক-মপাও ফবী য়ুম্নুরেম্বীগী ঈংনা চল্লবা মায়থোং, মাগী নুংঙাইনবগীদমক্তা, মশা কোম্নব-গীদমক্তা চহী অমগী মনুংদা থা তরা লাপ্না থমখ্রবা মচানুপা, চহী নৌনা ইমুং-মনুংগী পোৎলুম পুবগী নহা ওইনা হনুরবী মচানুপীগী মফমদা লংজরিবা মরাল অদুগা পুম্নমক্কী মথক্তা লৈখিদ্রবা মরুপকী লোয়নবীনি তনোয়-তনোয়রবা মপাম্বোম মোনখাংনরুবগী নীংশিংবা ময়ামসিনা লাইরেননা ফৈদি কোনবগুম মাগী মবুক্লিংবুসু ফৈদি শোয়দনা কোলহল্লমগনি।

ইপলনা লৈখিদ্রবা মতুংদগীদি, মানা শেল পুরুবশিংনা লাক্তুনা উনা-উনা মাগী য়ুমজাও অদুগী লৈতেংগী পোৎলমশিং অদু অমমমতা ওইনা ফক্তুনা ফুখরে। ময়া-মমৌবু ইচে রমাগী মামনা অলমোড়াদা পুখরে অদুগা মফমদুগী টাউন স্কুলদা খুঙ্গংগী নুপামচাশিংগা বোড়া থাবা ক্লাসতা ফমদুনা লাইরিক তম্বা হৌরে। স্কুলগী ব্লেজর অমদি তাইগী মহুত্তা হৌজিক্তি লাইবক য়ৌনা চিংথবা তুপীনা মহুৎ শিনখরে। পিকলিবা নুপামচা অসি মাগী হান্নগী স্কুলদদি আয়রিশ ওজাশিংনা ডিকন্স অমসুং কিপলিংগ নুংঙাই-নুংঙাইরবা ৱারীশিং লীবীদুনা তাহল্লম্বনি অদুবু হৌজিক্তি চীংগী খোন্থি-খোনচোপশিংনা মহুৎ শিনখরে। মমান্নবশিংনা তম্বীবদগী মখুবাক্তা চরস মতুম তাদুনা উল্লগা, লৈকায়গী লম্পাক্তা ফুটবোল শান্নবা য়েংদুনা নুংঙাইথোকপা হৈরক্লে। হৌজিক্তি মাগী হান্নগী স্কুলগী মীরৈবাক্কী ওজাশিংগী চেকশিনবদু লৈত্রে, নিয়ম ময়ামদুসু অমত্তা লৈত্রে, মহাক মপা য়াওদ্রবা লমদমদুগী লাকপীনবা য়াওদ্রবা শগোলনি। শুপ্পগী মানা কিরিবসি মাগী তমথিরবা মনে অমদি ইচে রমা খক্তনি। ইন্টরমেদিয়েট হেক পাস তৌবগা ইচে রমা লুহোংখরে। মচে অনীদু লাক্তুনা য়াম্না কপ লাওদুনা তৌররে অদু ওইনমক লুহোংবদি অদুম হোংখরে।

"ঐখোয়না য়াম্না নুংশিনা য়োকচরকপনিনে ঐখোয়গী ইনাওসে! মাম্ম, পাখ্রাসি নৎত্রবদি নুপা অতৈ লৈত্রবরো?"

অদুবু উপায় লৈজদ্রবা মামাদুদি ইনেগী মখুত্তা উংবা খুংগুম্বনি হায়বসি মমৌ অহুমদুনা খঙই।

"করিনো, মসিদা করি কায়বগে, নুপাদুদা করি অশোয়বা লৈবগে, ঐসু অমুক্তা তাগেনে!" ইনেনা ঙংলদুনা হায়রকই, "জোশি ইমুংগী মচানি, চহী কুম্থা হায়বসিবু কয়াম হনুরবগেনে? অঙাং নুবীসু অমত্তা য়াওবা নত্তে, অদুগীসু মথক্তা হান্নগী নুপীদুগী লীক-কোল ময়াম অমসু লৈ, মদু মানা লোয়না শিরুরদৌবনি, রানী ওইনা পাল্লুরদৌবনি।"

অদুবু ইচে রমাদু মদুমক হেক তৌখিবরনে! মানা ঐঙোন্দা ৱা লোৎপা জাৎলা? মানা লুহোংলুরিবা নুপাদু উপায় লৈত্রদুনা হোংলিবনি হায়বসি, মানা লুহোংবগী অহিংদুমক্তদা খঙবা ঙল্লে। শকখঙনবা নুমিৎকী অহিংদুগী মঙলান কয়া শাগৎচদুনা চৎখিবনি অদুবু মাগী মপুরোইবগী কপ লাউবা মরক্তা মফম খঙদনা লোয়শিনখরে। অহিং-চুপ্পা মাগী লৈখিদ্রবী নুপীগী মফমদা তৌখিবা মরাল ময়ামদুগী নিংঙমদবনা কপ্পুনা লেল্লম্মী।

"ওন্থোকপনি, মানা নাদুনা লৈরিঙৈদা কয়াদা ৱানা অনাবগী মৈচাক খাঙখিবা! অদুগা অমরোমদা ঐনা মানা শিখিবা থা নিপালতা ঙাইরিঙৈদা কোকয়েৎ য়েৎতুনা অমুক লুহোংলে মাগী মহুত্তা ঐনা শিবা ওইরল্লবদি মানা অসুম্না তৌবা ঙমগদরা? ঐসু অমুক হন্না য়ুম পাঞ্জরোইদবনি, অদুবু করিগী লুহোংলিবনো খঙলবরা অদুদগী মানা মাগী ঙাংশং ঙাংবা মমিত্তুনা বরেলীদগী লৈরকপা লুম থানা লোল্লবা ফিজোলনা য়োল্লবী ইচেরমাদা ওনশিল্লদুনা হায়রকই, "মরমদি মানা শিদ্রিঙৈগী মমাংদা ঐঙোন্দা মুন্না য়েংলদুনা হায়রম্মী- ঐনা শিখ্রবা মতুংদা নঙ অমুক হন্না য়ুম পাল্লুকো, নঙনা হোয় হায়দ্রবদি ঐ ঈংনা তপ্না শিবা ঙল্লোই।" অদুদগী মখুদা মমায় উপশিল্লদুনা মেলাদা মপাং কায়নরবা অঙাংগী মতৌগুম অহিংচুপ্পা কপ্পুনা লৈরম্মী।

ঐনা অসুম খনবদা ইচে রমাগী থম্মোয়গী মিহুল অদু অহিংদুগী খংপিক পিকশনখিবা ওইরমগনি। অদুদগীদি চহী কয়া মাগী থম্মোয়গী মিহুলদু য়াম্না তৌফম খঙদনা তপ্না-তপ্না হুল্লকখিবনি। "ইচে রমা, ঐখোয়গী ইতৈদুবু কমদৌরিগে?" ঐনা নোক্তুনা মঙোন্দা লক্লরম্মী মিকুপ অমত্তংদি মাগী মমিত্তু হরাওবগী মোমোন মিনোক নোক্লকই।" য়াম্না নুংঙাইরি" মানা নোক্তুনা হায়রকই অদুবু মাগী মিনোক্তুগী মরুমদা লোৎলিবা পিরাংগী মখোলদু ঐ শেংনা তাবা ফংই। ওন্থোকপা হায়বদুনি, মাগী লৈখিদ্রবী লোন্নবীগী উপুদু হাংলুবদা মুগা ফিনা য়োল্লবা নুংশি-চিঠিগী মপুলদু থেংনরুরে। পামদ-পামদনা ইচে রমানা তুমিন-তুমিন পাথোক্লে। নুপীদু ইবা পাবদং হৈবনি অদুবু মখোয় অনীগী মপাল নাইদ্রবা নুংশিবগী ৱারীদু ইনরিবা লোন্দাদুদগী খঙবা ঙম্মী। লুহোংলবা মতুংদা অহানবা ওইনা মপাম চৎপা তেনখ্রবা মতমদুদা মাগী মপুরোইবগা কায়নবগী নুংশি মৈচাক খাঙবগী চিঠি, মপুরোইবনা ট্রেনিং চৎখ্রিঙৈ মতমদা কুইনা কায়নবগী অৱাবা শৈথাদুনা ইবা চিঠি অদুগা মমৈথংদা অকনবা অনাবনা নারবা মতমদা শোয়দনা শিরগনি হায়বা খঙলবা মতমদা থৱায় নুংঙাইতনা ইবা চিঠি। নুংশিজাও অদুদগী কৈদৌঙৈদসু নুংশিবা ফংলোই হায়বসি ইচে রমাগী থাজবনি। মপুরোইবগা লোয়নবদি ফংই অদুবু, মপুরোইবগী নুংশিবা অদুদি ফংবা ঙমদে। অদুবু অঙকপদি ইচে রমানা মাগী নুঙগী থম্মোয় পানবা মপুরোইবদুদা থৱায় কৎচৈ। লেপ্পা-ফম্বা, তুম্বা হৌগৎপা, মতম লৈবা খিবিক্তা ফিদমনিংঙাই ওইবী নুপী অমগুম মপুরোইবগী মমিগুম মতুং কোয়ইন ইন্নে। ইশৌ লাংদুনতা লৈবা, শাউগনবা অমদি নোকপা হৈতবা নুপাসিগুম্বা অমত্তা পুন্সিসিদা উদ্রি। মশক ফজ-ফজবী মনাওনুপী ময়াম অমা পুল্লবসু উকংনা শাবা মুর্ত্তিগুম্বা নুপাদুবু খজিক্তং ফাওবা লেংহনবা ঙমদে। অমরোমদা ইচে রমাদি মমিংখক্তংদা নত্তে মগুনদসু অশেংবা রমানি, লক্ষ্মীনি। ফিতুবদা, লোনবদা, ইয়োং পান্দুনা গলীচা শাবদা মাগী হৈশিংবদু উবদা ঐ পুমঙক ঙকই, অদুগা অমুকসু চাকশঙদা চঙলগনা অন্নাপূর্ণাদুমঙায়, মাগী শাংতক তৌবা খুৎশাশিংদুদগী মহাও মখল-মখল থাদরকই। মখল-মখলগী অথুম-অহাও শাবদা মমিৎচৎপা মিঠাই শাবগা চাং-তান্নবা য়াই, অদুবু অঙকপদি ঐখোয়গী রাশি য়াওদবা ইতৈনা মাবু অমুক্তা থাগৎখিদ্রি। চাবা লোইথোক্লগা ফুক হৌগৎখিদুনা করিনো অমা-নৎত্রগা অমা হেক্তা হায়। ***মথং মথং...***

ঈশৈ-লম্বা

# ৱাকৎ

**কুঁৱর নারায়ন**

ৱাকৎলুরনু অমুক
করিবু কান্নরিবগে হন্না-হন্না ৱাকৎলুবগী,
ৱাকৎতুনতা লাক্লবা পুন্সিনা
করম্বা অহোংবা লাকখ্রগে খুন্নাইসিদা?
চৎলুরনু অমুক
ফম্নাইবশিংগী 'নাক্তা পুরদুনা ৱাকৎশিংগী দাবী,
ৱাকৎতগী ফল্লিবা চৌক্রিনা হেন্না মরুওইরবদা
তাবিররোই নখোয়গী ৱাকৎতু চৌক্রিদুনা করিসু।
ঙাংলুরনু অচুম্বদু অমুক
ফাদোক অদুনা কৈশুমশঙদা,
লেনখ্রবা নত্ররা নপুন্সিদু হন্না-হন্না
অচুম্বা ঙাংলুবগী চৈরাক্লি ঙসিসু ফংলিবা?
হংলুরনু লম্বীদু অমুক
চৎলিবা লম্বীদুনা লম্মাংনরবদা,
লম্বী লম্মাংনবা ওইরল্লে পুম্নমক
চৎপা তারিবরা ঐখোয়সু লম্মাংনবা লম্বীদা
অসুম্না অসুম...।
●
*(হিন্দীদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা : ডা. শিবানন্দ য়ুম্নাম)*

# মঙলাক্নরুরবা তুং

**দেবেন সেঞ্জম**

অহিং তাংলৌ থেঙলবা
খোম্লেন শাংথ য়াতারুবা
মঙলান অমা মঙলম্মী
অকি তুজুংবনা থল্লম্মী।
উমং লাই চাত্রেৎ হুম্ফুনা
য়াইবী ঐগী তেমশীংনা
মায়কৈ খূদিং কোয়শীল্লম্মী
ফিভম ঙম্না শেল্লম্মী।
চরৈ ঙক্তা য়েৎশিনজৈ
খুবাং তরা লোন্নজৈ
হংজৈ করিবু লঙজরুবা
নোনজৈ মরম তাকপিনবা।
খোয়ুম'মদি লিংজেল খারবা
লাউরকই নোংগুম খাক্লবা
থেংখাঙ অনীরক শুরবনি
খোয়ুম ঐখোয়বু শীংনবনি।
য়াইবী নঙগী পাম্মুরবা
য়েংগে কনানবু কনবিবা
খোয়ুম ইতিক খঙহল্লগে
তাইবঙ শীংবু শৎলগে।
তালোয় মানা হৌদোরকই
খোম্লেন মঙলান্দগী হল্লকই
হুমাং ইরিক ইশৌনরম্মী
খৌনাউ চরম কংলম্মী।
ইনাক্তগী ফাইল ফাক্তৎলি
খুৎতা কলম পায়খৎলি
কাউবা ঙমদে উমং লাইশিংদো
অশাও খাম্বী মৈহৌরবশিংদো।
●

# চনঙমদ্রবা পাউখোং

**অহোংশাংবম প্রমেশ্বরি দেবী**

তাম্না উরিবা চীংশাংসিদা
লেপ্লি কনা লৈজদা
উবগুম তৌরি নাইতোম তাবা ওইনা
ঙাইরি পাউখুম মালংবা মহাক্তগী
হঙবগুম তৌরি ৱাহং কয়া।।
চীংয়াদা উরিবা য়ুম কয়া,
খাঙলি অৱা মৈশা।।
মীওইবগী লৌনম কয়ানা,
তাম্না লৈরিবা তম্পাক্লা
পুক্লীং হুরি য়েংবদা
চীংগী ফজবা শক্তম।।
তমগী মী কনানা খঙগদগে
চীংমী মাগী অৱাবা,
ঙমগদবা লৈতে তাইবংদা
হকথেংনরবা মখোয় নত্তনা।।
খঙবা ঙল্লোই মহাক্কী খুৎশেম
খাঙবা ঙল্লোই প্রকৃতিগী অৱাবা।।
●

# থোক্লক্লো লময়ানবা

**খ্বাইরাকপম সরতকুমার**

থোক্লক্লো লাক্লো লময়ানবা
লমজিংবিরখো অমুক্কা হন্না
ককঙাওনরে নরোই ননাওশিংসে
থাজনদ্রে অমনা অমবু
অপুনবনা পাঙ্গলনি কাওনরে।
মঙাল পীবিরল্লবসু নহাক্লা
থৌনা লিংজেল লৈতরে
শুবা নোম্বা তন্নরে
পুক্কে লনগৈ মপুক হাল্লে
হিংমিন্নবগী ৱাখল মাঙখরে
নোংদোনথক্কী কোরৌসু থাজসু
শরুক থুংলি ঐখোয়গীসু।
ঙসিদি হোৎনরি চৎনবা
নহাক্লা পামজরম্বা লম্বীদুদা
ঙম্নদ্রি কনামত্তা চৎপদি
শাংল লম্বী ওইবনা
ইরমদমগী লংল শক্তমদি
লৈরি থম্মোয়নুংদা লেংদনা।
●

# মাঙশিল্লক্লবা ইরল

**সূর্য্যমণি য়ুম্নাম**

চীংলোন তরেৎকী ৱাংমদৈ
হুল্লক্লিবা অশাবা নুংশিৎ
ওলাং ওনশাওনরে
তনৌরবী হানৌশিং।
মীনমদুনা লাকপনি সমুদ্রনা
লাকশিন্নবা পিক্লবা তুরেলশিং
ঈচাওহন্দুনা মীংখৈ মুৎনবা।
গেরুৱা মচু শেৎপা
ঝুলি পায়বা
করি থুপ্লি নুংদা
নিঙোল কাদা মীতাবদি
ঈথক হৌবরা ঈগী ঈচেল?
পোৎথম্ফম খঙদবগুম
ইচাই চাইরে ইমুংসে
খোমজিন তাশিনসিদা,
চৎন-কাঙলোন মাঙলবা
মাঙগী লম্বী অমম্বনা
নোংমদি শোইরোই য়োৎখ্রগনি।
লংলবা থৱান্মীচাক্লা
অমমক্তং কেনখিবগুক
ইজাতিগী ফজবা
অসুম অসুম লাপখিদুনা
চাকঙাই ৱারী ওইরক্লনি।।
●

# মহৌশা লাইরেম্বী

**জিতেন ওইনাম্বা**

হে মহৌশা কৌবী লাইরেম্বী
অসুক নিংথিবা খুৎশেম!
নঙগীদমক চাউথোকচনিংবা মতমসিদা
অদুক ইকাই থিবি লৈরাংগুম্না
থুনা পৎথখিগে তৌরিবা।।
নারক মোংশোংদা লৈরমদোই নিংঙি
অনকপসিদা নগুনদি তাক্লগে খন্দুনা
মিচং মিখাই নাইদনা
মণিগুম তুমিন ঙাল্লিবা।।
ফজৈ খঙদবা মহাক্তুদি মিৎতাংবনি,
থম্মোয়গী মিৎনা য়েংলুদা তৌরিনি।।
নতম্বাক্তা শান্নজগে অঙাং নাৱাগুম্না
অৱা-ৱাখল হুইদোংদনবা
কুইনা পুন্সিয়ু অথোইবি পলেম ও!
নচাদা কল্লক মীহৌবা মখোয়গী খুৎতু
কক্থৎপা ঙম্নবা নতিক পীনবিয়ু পলেম ও!
●

ঈশৈ

# চিতাথক্কী কুন্দো পরেং

চিতাথক্কী কুন্দো পরেং
পুন্সিগী অরোইবা নুংশি খুদোলনি
চল্লবী নুজাগী মীৎলু পিরাংনা
চাল্লবা লৈরাংনি লৌবীয়ুনে তরাম্না।।০।।

চিক্লবা অহিংগী ঈংলবা থাবলদা
ঐগী শমজিদা নঙনা থেৎলম্বা
থৱায়নি খন্দুনা ঐনা থমজবা
লৈরাংদো কৈদনো মফম খঙদরে
নঙগী থৱায়না ওল্লবা লৈরাংলা।।০।।

নহাক য়াওদ্রবা ঐগী পুন্সিদা
শাবী শনৌগী নুংশি নুংওনগী
লোন্না য়েংনবা নুংশি মীৎয়েং
অরেম্বনি পুম্নমক য়েক্লবনি খল্লগে
নঙগী ঐগী ৱাশক্তু ঙাক্লগে।।০।।

*শৈরেংবা* ঃ শংলাকপম অচৌ শর্ম্মা
সুর অমদি শৈশকপী ঃ অসেম বিমলা দেবী

# পুন্সিবু ফাগীনি খন্নু

সুনিতা, পুন্সিবু ফাগীনি খন্নু
কাইনবগী অৱাবসু
থুংনবগী নুংঙাইবা কয়াসু
পুন্সি ঈচেলদা তিনখিনি।।০।।

অথাপ্পা লমদম অসিদা
নহাক্কী ৱাখল নীংশিংনা
মীৎলুগী পিরাং পিরোইননা
মীৎকুপ খূদিং খাঙফম খঙদনা
লেল্লি পুন্সিসে সুনিতা।।০।।

নীংশিংলুরগা মতমদো
পুঙমদে থম্মোয় মৈচাকসে
ঐনা কপ্না লেনবা উরগা
নঙগী পুন্সিনা নোক্লগা লেল্লিবা
পুন্সিবু ফাগীনি খন্নু।।০।।

*শৈরেংবা* ঃ নন্দলাল রোই
সুর অমদি শৈশকপা ঃ সনাতোন শর্ম্মা

সাহিত্যগী খোঙচৎ

## চন্দ্রেশোর নীংশিং মনা

রাইটর্স ক্লব নম্বোলনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী ২০শুবা মপোক কুমওন থৌরম হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১০দা পব্লিক থিয়েটর নম্বোল ফোইজিংদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অহুল্লক শুবা ওইনা লান্থোকপা এন চন্দ্রেশোর (কামেশ্বর) নীংশিং মনা ৱাইখোমচা ইবোতোম্বী মঙাংনা ইবা **অঙাংবা লৈগী অঙৌবা মচু** কৌবা ৱারী মচাগী লাইরিক্তা পীখ্রে। মনা অদুদা শেল ওইনা লুপা লীশিং ২৫, সাইটেসন অমা অমদি শোল অমা য়াওরি।

থৌরম অদুদা রিটয়ার্দ (জেদ ই ও) এন জি নবানা চীফ গেষ্ট, ক্লব অদুগী প্রসিদেন্ট সরতচন্দ্র নোংথোম্বনা থৌরম মপু অমদি মনা কৎপীরকপী নামৈরাকপম ওংবী পসোৎলৈমা অমদি এম এল এ নামৈরাকপম লোকেননা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা দো. এম মঙ্গিনা ইবা ৱারী মচাগী লাইরিক *অরংবা থৱান্মীচাক* অমদি রাইটর্স ক্লব নম্বোলগী ১৫ অমদি ১৬শুবা চেফোঙ *ৱাকোন* সু ফোঙদোকখি।

## শুমাঙ লীলাগী খোমজিনবা লাইরিক ফোঙগদৌরি

ঙসি সেপ্টেম্বর তাং ১৪, ২০১৪ নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা দেব লিটরেচর সেন্টর ইম্ফালগী ওদিটোরিয়মদা সাহিত্য একাদেমী, ন্যু দিল্লিনা ফোঙবা **খোমজিনবা মণিপুরী শুমাঙ লীলা** হায়না কৌবা ডো. রাজেন তোইজাম্বনা খোমজিনবা অমদি ইদিট তৌবা লাইরিক অমা ফোঙগদৌরি। লাইরিক অসিদা মতম-মতমগী ওইনা মমিং লৈখিবা অইবা কয়াগী শুমাঙ লীলাগী স্ক্রিপ কয়া য়াওরি।

লাইরিক অসি ঙসি ফোঙবগী থৌরমদা চাদা ১০ তাদুনা হন্থবা মমলদা মীয়ামদা ফংহনগনি হায়না এ সি নেত্রজিৎ, বোর্দ মেম্বর, মণিপুরী লেঙ্গুয়েজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য একাদেমী ন্যু দিল্লিনা প্রেস্তা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।